# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 15-07-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) জিরিবামদা নোংমৈ কাপশিল্লক্কুনা মীশি মীনা থোকহনখিবা অসিগুম্বা থৌদোকশিং মখা তানা য়েংদুনা তুমিন্না লৈথোক্লোহ হায়না রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকেনা ফোংদোকখ্রে।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চথ্দুনা খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুম ফাগৎপা লেপত্রি।

অমসুং

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী সোসিয়েল মিদিয়া এক্কাউন্ট এক্স-কী ফোল্লোৱর মশিং মিল্লিয়ন ১০০ হেনদুনা ঐতিহাসিক ওইবা তাঙ্কক অমা য়ৌরে।

------

রাজ্যপাল (এল)ঃ জিরিবামদা ঙরাং নোংমৈ কাপশিল্লকপগী থৌদোক্তা সি.আর.পি.এফকী মীওই অমা লৈখিদবা অদুদা রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকেনা থম্মোয় শোকা অৱাবা ফোংদোকখ্রে।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা রাজ্যপালনা হায়- মথৌ পাঙথোকপদা থৌনা লৈনা কৎথোকপগা লোয়না মথৌ তৌখিবা সি.আর.পি.এফকী মীওই অদুগী থৱায়না ঈশ্বরগী মফমদা ইংনা চিকা লৈরুবা ওইরসনু। অসিগুম্বা কা হেনবা হিংশাগী থৌওং অসিবু য়ামা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোক্লদুনা রাজ্যপালনা হায়- অসিগুম্বা থৌওংশিং অসি মখা তানা য়েংদুনা

অসুমক লৈথোক্লোই। রাজ্য অসিদা অচুম্বা ৱায়েল অমসুং তংদু লৈতাবা ফিভম পুরকবা মখা তানা হোৎনখিগনি হায়নসু রাজ্যপালনা ফোংদোকখি।

মরক অসিদা, জিরি অপুনবা লুপনা ঙরাং নোংমৈ কাপশিল্লক্তুনা মীশি মীনা থোকহনখিবা থৌদোক অদুবু য়ামা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

জিরি (এল)ঃ জিরিবামগী মোংবুং ভিলেজদা নোংমৈ কাপশিল্লকপগী থৌদোক্তুনা মীশি মীনা য়াওখিবা অদুগী তুংদা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট পুলিস, ৩৯ শুবা অসাম রাইফলস অমসুং সি.আর.পি.এফকী ৮৭ শুবা বত্তাল্লিয়নগী অপুনবা কাংবু অমনা মোংবুং ভিলেজ এরিয়াদা পাক শন্না থিবা হুম্বগী থবক চথবদা খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুম ফাগৎলে।

ফাগৎলবা পোৎলমশিং অদুগী মনুংদা রাইফল অমা, মেগজিন অনি, নোংমৈ মরু ৩৪২ অমসুং বুল্লেট প্রুফ জেকেট অমা য়াওনা কাপথোকখ্রবা নোংমৈ তোকনিং কয়ামরুম য়াওরি।

এরেষ্ট (এল)ঃ নমদুনা মী ফানবা অমসুং শেল খায়নবা হোৎনরম্বদা চেন্নবা কে.সি.পি (নোংদ্রেন খোম্বা) গ্রুপকী মীওই ৫ খুৎশু খুৎলায়গা কোন্ননা সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে।

ঐখোয়গী ককচিং পাউমী নোংমাইথেম ভাবেশ্বরনা পুলিসকী পাউ পল্লদুনা হায়- ককচিং খুনৌ এরিয়াদগী ঙরাং নমদুনা মী ফাগদৌরে হায়না ৩৩ শুবা অসাম রাইফলসনা থাজনিঙাই ওইবা পাউ অমা পীরকপদগী ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোশিংনা মফম অদুদা থুনা চংশিনদুনা মীওই মঙা অদু ফাগৎখিবনি। ফাগৎলবা মীওইশিং অদুদগী মেগজিন য়াওবা পিষ্টোল অনি, কেমোফ্লেগ দ্রেস অহুম অমসুং নম্বর থাদবা বোলেরো অমা য়াওনা অতৈ পোৎলম কয়ামরুম ফংলে। থৌদোক অসিগী মতাংদা কেস অমা লৌখৎতুনা ৱাইখোং পুলিস ষ্টেসন্না মখা তানা থিজিল্লি হায়রি।

পুলিস (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা চীং অমসুং তম্পাক্কী চিংনবা মফম কয়াদা মখা তানা থিবা হুন্বগী থবক লেপ্তুনা চখুরি।

মণিপুর পুলিস কন্ত্রোল রুমনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়- হৌখিবা পুং ২৪ দা থৌবাল জিলাগী ৱাইথৌ চীংখোঙ এরিয়াদা থিবা হুন্বগী থবক চখুবদা মেগজিন য়াওবা এস.এম.জি করবাইন অমা, সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অমা, ৱায়ারলেস সেট অমা, আইতিৱান এম.এমগী মোর্তার সেল অনি, হেন্দ গ্রেনেদ তরেৎ, দাইমেকর গ্রেনেদ অমা, ষ্টন সেল অমা, তিয়ার স্মোক সেল অনি, দিটোনেতর মরি অমসুং নোংমৈ মরুশিং ফাগৎলে।

অমরোমদা, চুরাচান্দপুর জিলাগী সোংজাং খোপী এরিয়াদগীসু সেক্যুরিতি ফোর্সনা পম্পি অনি ফাগৎলে হায়রি।

দিএম (এল)ঃ দি.এম. য়ুনিভর্সিতিগী ভাইস চান্সেল্লরগী ফম মেনশিন্নবা থা অসিগী ১০ দা চেরোল অমা থোকখ্রে। য়ুনিভর্সিতি অসিগী রেজিষ্ট্রারগী চেরোল অমদা হায়- রেজিষ্ট্রার অমসুং কন্ত্রোল্লর একজামিনেসনগী ফমশিং মেনশিন্নবা থবক অয়াম্বা লোইশিল্লক্লে। অথুবা মতমদা ফল লাউথোক্লগনি। ওজা ৮৩ লৌননবা চহি অসিগী ফেব্রুৱারি ২৯ দা পাঙথোকখিবা রিক্রুটমেন্ট অদু য়ুনিভর্সিতি অসিগী চৎন-কাংলোনগী ৱাংমদা পাঙথোকখিবা ওইবনা ষ্টেট ভিজিলেন্স কম্মিসননা য়েংশিনহন্নবা থবক লৌখৎলি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়- মহৈরোইশিংনা ওনলাইনদা পরিক্ষা থানবা দাবী তৌরিবা অসিগী য়েংলগা য়ু.জি.সিদা চেরোল অমা থাখ্রে। মদুগী পাউখুম ঙাইরি। য়ুনিভর্সিতি অসিনা হৌজিক লৌখৎলিবা থবকশিং অসি য়েংলগা চরা হেনবগী খোঙজং চংশিল্লিবা মহৈরোইশিংনা মখোয়গী খোঙজং হন্দে দাকপীনবা আপীল তৌরি। ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিতিগী একাদমিক এটমোসফিয়ার ফগৎহন্নবা হোৎনবদা মীয়াম, মরুওইনা মমা মপাশিং, ওজাশিং অমসুং মহৈরোইশিংনা মতেং পাংবীনবা চেরোল অসিনা মখা তানা হায়রি।

শাবা (এল)ঃ মণিপুরদা শাবগী চাং লেপ্তুনা হেনগৎলক্তুনা সেলসিয়স দিগ্রি ৪০ য়ৌগদবা খজিক্তা ঙাইরে।

রাজ্যগী ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জ দাইরেক্তোরেটকী ৱেদর রিপোর্টনা হায়- ঙরাংগী ওইনা নোনে জিলানা রাজ্য অসিগী মনুংদা খ্বাইদগী য়াম া শাবা মফম ওইদুনা সেলসিয়স দিগ্রি ৩৯.৪৫ য়ৌখি। চুরাচান্দপুরদনা সেলসিয়স দিগ্রি ৩৩ য়ৌখি। বিষ্ণুপুর, ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং ককচিংদনা সেলসিয়স দিগ্রি ৩২ গী মথক্তা শাখি। ইম্ফাল ইষ্টতা সেলসিয়স দিগ্রি ৩১ গী মথক্তা অমসুং কাংপোকপী জিলাদনা সেলসিয়স দিগ্রি ৩০ গী মথক্তা শাখি।

মিলাল (এল)ঃ মীতৈ ইরোল ইয়েক লোয়ন্নশিলোল অপুনবা লুপ (মিলাল)না ময়েক চাওখৎহন্নবা চংশিল্লকপা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা ঙরাং জিরিবাম য়াওনা তম্পাক্কী মফম কয়াদা চাংদমবা পাঙথোকখ্রে। পুন্না সেন্তর ৩৮ দা মহৈরোই লিশিং ১০ রোমা শরুক য়াদুনা চাংদমবা অদু পাঙথোকখি। চাংদমবা অসিগী ফল মথং থাগী ১৫ ফাওবগী মনুংদা লাউথোক্কনি হায়রি। চাংদমবা অসি ক্লাস ৱানদগী টেন ফাওবগী মনুংদা কেটগোরি ৬ থোকা খায়দোক্তুনা পাঙথোকপনি। থৌবাল অমসুং ককচিংলোমদা হাংদোকপা চাংদমবগী সেন্তরশিংদা মিলালগী প্রসিদেন্ট খাইদেম ইঙোচানা কোইনা চত্তুনা য়েংশিনখি। মথং থাগী ১৮ দা পাঙথোক্কদবা মিলাল লিংখৎখিবগী চহি ২২ মপুং ফারকপা নুমিৎকী থৌরমদা মনা ফংলবা মহৈরোইশিংদা শকখঙ চে য়াওনা শেলগী মনাশিং পীনগনি হায়রি।

মনা (এল)ঃ থৌবাল জিলাগী অথোকপমদা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট লাইব্রেরি কম য়ুথ সেন্তরগী ১৬ শুবা এৱার্দ য়েন্থোকপগী থৌরম অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা খাঙবোক্কী এম.এল.এ- ওক্রম শুরজাকুমার শরুক য়াখি।

অমরোমদা, ক্লাই টেন অমসুং তুয়েল্ভ একজামদা মণিপুরী সবজেক্টতা মার্ক ৱাংনা ফংলকপা মহৈরোইশিংদা মনা য়েন্থোকপগী থৌরম অমা ঙরাং তেন্থাদা লৈবা ইমা ইনাওবী নিংশিং মহৈকোলদা পাঙথোকখ্রে।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী সোসিয়েল মিদিয়া এক্কাউন্ট এক্স-কী ফোল্লোৱর মশিং মিল্লিয়ন ১০০ হেনদুনা ঐতিহাসিক ওইবা তাঙ্কক অমা য়ৌরে। হৌখিবা চহি অহুমলোম অসিদা ফোল্লোৱর মিল্লিন ৩০ রোম হেনগৎখি। মসিনা হৌজিক সোসিয়েল মিদিয়া এক্স-তা ফোল্লোৱর খ্বাইদগী মশিং য়াম্বা মালেমগী লুচিংবা অসি প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ওইরে। আমেরিকাগী প্রসিদেন্ট জো বাইদেনগী ফোল্লোৱর অসি মিল্লিয়ন ৩৮.১ খক ওইরি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা শ্রী মোদিনা হায়- সোসিয়েল মিদিয়া এক্স-তা ফংলিবা মহাক্কী থাক অসিগীদমক থোইদোকা নুংঙাইবা পোকই। গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনসু প্রধান মন্ত্রিগী চাউনা মায় পাকপা অসিদা নুংঙাইবা ফোংদোকখ্রে।

য়ুরো ঃ স্পেন্না য়ু.ই.এফ.এ য়ুরো কপ ২০২৪ গী চেম্পিয়ন ওইরে। জরমনিগী ওলিম্পিয়া ষ্টেদিওন বার্লিন ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ফাইনেলদা স্পেন্না ইংলেন্দবু পাঞ্জল ২-১ থোইদুনা চেম্পিয়ন ওইখি। স্পেনগী ওইনা নিকো ৱিল্লিয়মসনা মেটচকী ৪৭ শুবা মিনিটতা অমদি মিকেল ওরজবালনা ৮৬ তা পাঞ্জল অমমম চনখি। ইংলেন্দগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদুনা অনিসুবা হাফকী ৭৩ শুবা মিনিটতা চনখিবনি। মসিগা লোয়ননা চেম্পিয়নসিপ অসি স্পেন্না মরিরক লৌদুনা খ্বাইদগী য়ামা মায় পাকপা লৈবাক ওইরে। অমরোমদা, কোপা আমেরিকা কপগী ফাইনেলদা আর্জেন্তিনা অমসুং কলিম্বিয়া হৌজিক য়ুনাইতেদ ষ্টেটসকী ফ্লোরিদাদা লৈবা হার্দ রোক ষ্টেদিয়মদা শান্নরি।

ক্রিকেটঃ ভারত অমসুং জিম্বাৱেগী মঙাশুবা অমসুং অরোইবা টৌইন্তি টৌইন্তি ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট সেরিজগী ঙরাং হরারে স্পোর্টস ক্লবতা শান্নখিবা মেটচতা ভারতনা রন ৪২ দা মায়থিবা পীখ্রে। জিম্বাবৱেনা টোস ঙমদুনা ভারতপু হান্না বেত্তিং তৌহনবদা অপিবা ওভরদা ৱিকেট ৬ তুরনা রন ১৬৭ লৌখি। মসিগী পাউখুমদা জিম্বাবৱেনা ৱিকেট ৱিকেট পুমমক তুরগা রন ১২৫ লৌখি। সেরিজ অসি ভারতনা ৪-১ দা থোইরে।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

কুকিগী এম্বুসতা জিরিবামদা সি.আর.পি.এফ পার্সনেল অমা শিখিবা অমদি ষ্টেট ফোর্সকী মীওই অনি অশোক অপন নংখিবগী পাউ শঙাই এক্সপে মণিপুরী, সনালৈবাক, হুইয়েন লানপাউ, মণিপুর মেল অমদি পোকফম য়াওনা মণিপুরদা ফোংবা পাউচে অয়াম্বগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউ পাউচেদা- মণিপুরগী লান, কুকি তেরোরিষ্টশিংনা দিষ্ট্রিক্ট মচেৎ মচেৎ শেগাইগদৌরে, খুৎ থোকবদা সি.আর.পি.এফ অমা, কুকি অমা শিরে, পুলিস অনি শোক্নে হায়বা পাউ অমদি মণিপুর লৈঙাক শৌগৎলম্বদগী ওপোজিসন ওইরক্লোই হায়নিঙাই লৈতে হায়বা এম.এল.এ নুরুলগী ৱাফম অহানবা অমসুং অনিসুবা হেদলাইন ওইরি।

পিপলস ক্রোনিকলদা- মীয়ামগী য়েংলগা সরকার শৌগৎলম্বা অদু তৌক্লবা য়াই হায়বা এন.পি.পি- এম.এল.এশিংগী ৱাফম এনকর কলমদা ফোংলি।

নহারোলগী থৌদাংগী এনকর কলমদা- মহৈরোই লিশিং ১০ রোমা শরুক য়াদুনা মীতৈ ময়েক চাংদমখ্রে হায়বা পাউ অসি ফোংলি।

শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতা- কোকোমিগী টিম অমা জিরিবামদা চৎপদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা এটেক তৌরকখ্রে হায়বা পাউ, পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

পোকফম পাউচেদা- হায়নিংবা, ঙাংনিংবা কয়াদি লৈ, লৈবাকা হেন্না লুরকপনা গভর্নমেন্ট শৌগৎপদগী তোক্লকপা য়াই হায়বা এম.এল.এ- নুরুলগী ৱাফম অমদি সেনাপতিগী মহৈরোইশিংনা কুকিশিংগী মায়োক্তা ইকোনোমিক ব্লোকেদ চথবা হৌখ্রে হায়বা পাউশিং অসি অহানবা লমায়দা ফোংলি।

সেনাপতি ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসনগী খোঙজং অসিগী মতাংদা ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেস অমসুং মণিপুর নিউজদসু তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

সেক্যুরিতি পার্সোনেল হাৎখিবা, শোকহনখিববু সি.এমনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে, অমদি দি.এম.য়ুগী রেজিষ্ট্রার, একজামিনেসন কন্ত্রোল্লর খন্নবগী রিজল্ট অথুবদা লাউথোক্লগনি হায়বা পাউশিং অসি ঈচেল এক্সপ্রেসগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

তমেংলোং টাইমস, চম অমসুং গানফিউ মেলদা- খোংসাংদা চেং পুবা রেলগাড়ি লাকখিবগী পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

------